ইরৈবাক

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩, ২০২১

# নোংমৈ য়াওশিল্লকপা

মীয়াম্মা মীয়ামগী লৈঙাক শেমজবা ডেমোক্রেসিগী মচৎনি। লৈঙাক শেম্মবগীদমক চহী মঙা মঙাগী থৌ পুগদবা মীখল পাঙথোকই। মসি নত্তবা মীহুৎ খন্নবা পাম্বে অতোপ্পা অমা লৈতে। অদুনা মীখল হায়বসি ডেমোক্রেসিদদি খ্বাইদগী মরু ওইবা তাঙ্কক অমনি। থবক অসি পাঙথোকপদা লাইগী ঙমথংনি হায়রিবা ভোট্টর মীয়াম্মা অকি-অখং য়াওদনা মখোয় মখোয়না মতিক চাই হায়না খনজবা মীরেপতা ভোৎ পীগদবনি। অসুক ফজবা কাংলোন অসি মনিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদদি ওন্থোকপা মওংদা শেল অমদি খূৎশু-খূৎলাইগী শক্তি শীজিন্নরক্তুনা মীরেপ অমদি মীরেপকী খোঙবান চেনবশিংগী মরক্তা পাঙ্গল শক্তি তান্নরকপগী ফিভমলোমদা লাকপগুম তৌরক্লে। মসিদগী হেঞ্জিল্লক্তুনা ষ্টেট খরদদি মীখল মতুংদা মায় পাক্লবা মীহুৎকী খূৎপুনা মখোয়দা ভোৎ পিখিদবা, মায়থিহৌরবা মীরেপকী খূৎপুশিংদা মখা তানা খূৎ থারকপদগী চেম্থোরক্তুনা য়ূমলোন্নবা ষ্টেটতা শাথুপফম লৌদুনা লৈনবা ফাওবা য়াওখ্রবনি। মীরেপশিংনা মখোয় মখোয়গী লাল্লোই থাদোক্তুনা ভোত্তরশিংদা শেল পীরগা শোয়দনা মঙোন্দা ভোৎ থাদবীয়ু, থাদগদবনি হায়দুনা মোং-হাদনা ধমকা তৌবসি মনিপুরদসু হৌখিবা টার্ম কয়াগী মীখলদা থোকখ্রে হায়বসি লৈবাক মীয়াম্মা অদুম ইখং খংনরবা থৌওংনি। মসিদ নত্তনা চীংগী পোল্লিং বূঠ কয়াদদি অহেনবা শক্তি লৈবগী খূৎপুনা পুল্লপ পুল্লপ ভোৎ থাদবা য়াওই হায়বগী নাইনু কিশি থাংনবা, থরুম লৈনবা য়াওদবা নত্তে। অমুক্তা ফাওবা পোল্লিং বূঠ মনুং চংদুনা ভোৎ থাদবা হায়বদু শুমদৌবোইরে হায়বা ফাওবা খংজদ্রিবা ভোট্টর য়াওরমখিনি হায়নফাওবা ঙাঙনবা য়াওরি। মসিনা মীখল নুমিৎকী ৱারীনি। হৌজিক ষ্টেট অসিদা শোকপা পনবা য়াওবমখে ঈরাং শাগৎলক্লিবসিনা মীখল মমাংগী থৌওংশিং অসিনি হায়বা য়াই।

লাক্লিবা কুম ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা মনিপুরগী লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী ১২ শুবা টার্মগী মীহুৎ খন্নবগীদমক জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি। হৌজিক মনিপুরদা কোভিদ পেন্দেমিক মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা পেন্দেমিক অসিদগী খুন্নাইসিবু কনজহৌনবগীদমক মীয়াম্মা এস ও পি ঙাকপা অমদি কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েৎ বিহেবিয়ার ঙাকখিসি হায়রি। মসিগা ইরোইননা কোভিদ ভেক্সিন ডোজ মশীং শুনা কাপথোকসি হায়রি। মসিগী মথক্তা কোভিদকী থার্ড ৱেব য়ৌরকখিবা য়ারি ফাওবা হায়রিবসিনি। হায়রিবশিং অসি লাক্কদৌরিবা মীখলসিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেৎ অমদি মখোয়গী খোংবান চেনবশিংনদি পেন্দেমিক অসিগা মরি লৈননা ঙাকসি হায়রিবা কাংলোন খুদিংমক ঙম্মা খোঙ্গাওনরকপা মীয়াম্মা উরি। নোংমা নিনিগী মমাংদা তম্পাক্কী কেন্দ্র খরদা মীখলগা মরি লৈনবা পাঙথোকপা থৌরমদা ইটেন্দিং কেন্দিদেৎশিংগী খোংবান চেনবশিং ওন্সিন্নদুনা য়েন-শুনবা হৌখ্রে। থোইদোক্না মতা চাদ্রিবশিনা নোংমৈ ফাওবা ফোংনা পুথোক্লরক্তুনা কাপশিন্নরক্তুনা শোক-পনবা য়াওনখ্রে। মসিগুম্বশিং অসিদদি লৈঙাক্না থোকখিবা কোভিদকী কাংলোন থুগাইবগী ফাইন লৌবদি লায়রদনা ফোংনা নোংমৈ পুথোক্তুনা কাপখিবশিং অদু ফাওবা পুলিসনা ফাগৎলে হায়বা তাদ্রি। মীখলগী কেম্পেইনদি হৌবত মঙাইরি। মসিদা ফিভম অসি য়ৌরকপা হায়বসি ভোট্টরশিং মীপাই থবাইরোইদবগী মরম লৈতে। পূম্নমকসি নৌরিঙৈসিদা য়াম্মা কুপ্পা মোনিটর তৌহৌবা চুমগনি। লৈঙাক অমদি মরি লৈনবা খুদিংনা মসিগুম্বশিং অসি উৎনা-ৱাইনা খুমজিন্দুনা উশিন্নদনা লৈশিল্লবদি হেন্না খুদোং থিরকখিবা য়াই।

# কেন্দিদেটনা দোলাই-ভোট্টরনা য়োংখোক্কী লান

*অশোকপদি ফখিনি, দাকফমদি লৈহৌই হায়বদু ভোৎ লোইরবা মতুংদা থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি। ভোৎনা ইরমদমসিদা নুংশিনবা পুরক্নবা হোৎনমিন্নসি। য়োংখোক্কী লান থোক্কদবা ওইরবদি পূম্নমকসিগী কান্নবা করিনো? ডেমোক্রেসিদা অমুবা কালি তৈশিন্দনবা ভোট্টর ওইরিবা ঐখোয় পূম্নমক্না মায়পুননা তঙাই ফদনা হোৎনরসি।*

## মাইবম সোমেন সিংহ

ষ্টেট অসিগী জেনরেল ইলেক্সন কুইশিল্লত্তবগা লোয়ননা ভোৎ খোম্বগী থবকসু খম থেংলে। মরক অসিদা মশাগী কান্নবা য়েংবনি হায়সিরা নৎত্রগা ভোৎ কাননবা হোৎনরিবনি খনগদ্রা খংদ্রে। মী খরদি চোংথোক-চোংশিন তৌনরি। পার্টি অমদা কেন্দিদেৎ অমনা চোংশিল্লকপদা পার্টি অদুবু চাওখৎনবা হান্নদগী চেঞ্জ চোংজরক্লিবা ভোৎ লেপকনি হায়না খঞ্জরিবা মহাক অদুগী মরাইবক কদোমদনো হংবা তারকই।

মীখলগা মরি লৈননা পোলিটিকেল পার্টিগী টিকেৎ পীবগী মতাং অসিদি লুচিংবশিংনা ভোৎ কাগনি হায়না খনবা মহাক অদুদা টিকেৎ পীবসি অদুম্মক চৎনরি। টিকেৎকী ৱাফমসিদি 'ঙানুনা ঐনা লোইরগা মরূমনা মীনা চাখ্রে' হায়বদুনি। হৌজিক্তি শেল পায়বা খল্লগা টিকেৎ পীনরকপা য়ারিবনি। হৌজিক চোংথোক চোংশিন তৌরিবশিং ভোৎ নকশিল্লক্লবা, টিকেৎ পীখ্রবা মতুং ফংহৌদবশিং অমুক মফম হোঙলকপসু য়ারিবনি।

কেন্দিদেটশিংগী ৱাফম অসিনা নাকন অমদা থমখ্রগা মখোয়গীদমক শিরবসু য়ারে, নংনবু হায়রবদি পূম্নমক য়াজরে হায়না কোইচেন চেন্নরিবা ৱার্করশিংসু চোংথোক চোংশিনদা ঙাওনরক্লি। পোলিটিক্স য়াওগে হায়রবদি মায় কনবা তাই হায়বদু হৌজিক চপ চানা থোক্লরে, চুম্লরে। পার্টি অমদা লৈরিঙৈদা মদুগী মনুং মপান পূম্নমক খংদোক্লগা, মশাগী ওইজবা থিদুনা অতোপ্পা পার্টি অমদা চোংশিন্নরি। মদুগী মতুংদা হান্নগী পার্টি অদুবু হুন্দুনা ঙাঙনরক্লিবশিং অসিসু অদুম্মক তাবনা মনুংঙাইরি।

মরৈবাক মরমদমবু য়াম্মা নীংজবা, মীয়ামগীদমক য়াম্মা হোৎনজনিংবা মালহনবা য়াবা মখে মাল্লহনলগা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেডিয়াদা মীয়াম খঙনা থল্লকপা ৱাফমশিং অতাবা অমদি অউবশিংনদি করি-করিবু হায়না খল্লমগদগে হায়বসি ঙাঙলি-শক্লিবশিং অদুসু খরগীমখৈদি খন্থবা ফবা জাৎনি। নহাক্কী ৱারীনা চা হোটেলগী ৱারী ওইরে, সোসিয়েল মেডিয়াদা মীয়ামগী কমেন্ট পীফম ওইরে হায়বসিসু পোলিটিক্সনা নৌনা খোঙদারিবশিংনা খঙজিন্নবা হোৎনসি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা মখোয়গী মীয়াম ওইরবা ঐখোয়না অমনা অমবু হুন্নদুনা খৎন-চৈনবা থোরক্লিবা অসিমক্তি চুল্লিৱা হায়বসিমসু হংবা য়ারিবনি। মীরেপ ওইরিবা মখোয়দি মশাগী খুদোংচাগদবা য়েংদুনা পার্টি অমদা হেক পুনমিন্নখিবা মতমদা ভোৎকা হেক কাখিবকা থোক্লবদি অমগা অমগা লেংকোন্নদুনা চৎমিন্নখিগদৌরিবনি। মখোয়-মশেল অমুক য়াশিন্ননবা অমদি পুনশিন্নবীনবা হোৎনবা মশক নাইবা লুচিংবা কয়া অমসু লৈরিবনি।

অদুবু মখোয়-মখোয়গীদমক গুন্দা শারুবা, শাগৈ-নাতৈ, মরূপ - মপাং অমদি ইচিল-ইনাও ফাওবা খৎনরুরবা মীশক অদুগীদমক্তি কনা থোক্লত্তুনা থয়ায়নরুরবা ময়ামদুগা অমুক হন্না নুংশিনহনবিরগদৌরি। ঐখোয় ৱাখল মুন্না খনসি। মীনা ভোৎ লেপ্পগা ঐখোয় মশেল নুংশিনদনবা শিনগুমসি। থম্মোইদা অমুক্তুং য়েকখিবা হায়বসি নোংমদি শোয়দনা মপান থোরক্তুনা লমন শিংনরকপা য়ারিবনি। মদুদা মাংজগদৌরিবসি কনাগী ওইগনি। মরন্নাই তাহৌগদৌরিবনি। কেন্দিদেৎশিং অদুদি ভোৎ কাখিবগা দোলাই তোংখিগনি। অদুবু খোংবাল চেল্লুবা নহাক্তি হূ পুবা লীনগা পাঞ্জক ওইহৌগদৌরিবনি।

ভোট্টরশিং ৱাখল তামিন্নসি। ঐসু ঐনা পামজরিবা পার্টি অমদি কেন্দিদেৎ অদুগীদমক অঙম্বা হোৎনগদবনি। মাসু মহাক্না পামজরিবা অদুগীদমক অদুম হোৎনজসনু হায়না খন্দুনা চেনবী-চোংবীয়ু। অদুবু পার্টি মান্নদ্রে, কেন্দিদেৎ মান্নদ্রে হায়দুনা হান্না নুংশিনরম্বা মহাক অদুবু য়েক্লবগুম উবদি লানগনি। ভোৎতা মী খৎনবসি হেক য়ারিবমখৈ থোক্তনবা হোৎনবা ফৈ। অশোকপদি ফখিনি, দাকফমদি লৈহৌই হায়বদু ভোৎ লোইরবা মতুংদা থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি। ভোৎনা ইরমদমসিদা নুংশিনবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। য়োংখোক্কী লান থোক্কদবা ওইরবদি পূম্নমকসিগী কান্নবা করিনো? ডেমোক্রেসিদা অমুবা কালি তৈশিন্দনবা ভোট্টর ওইরিবা ঐখোয় পূম্নমক্না মায়পুননা তঙাই ফদনা হোৎনরসি।

# চিফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অমসুং মীয়ামগী মীহুৎ

## য়ুম্নাম রানাপ্রাতাপ

মণিপুরদা লৈখিবা লৈঙাক কুম ১৯৭২মণিপুরনা মপুং ফাবা ষ্টেট ওইরবা মতুংদগী মনিপুরগী এসেমব্লিগী সিট হুস্ফু শুরকপদগী ঙসি ফাওবদা তাদ্রিবা ৱাহৈনি। মীয়াম্মা ইকাইখুম্নরিবা চিফ মিনিষ্টরন থবক তৌদবা এম এল এ থাগৎপিরক্কনু হায়বদু খ্বাইদগী ফজবা ৱাহৈনি। মনিপুরগী কুম ১৯৫২ দগীনা ১৯৭২ ফাওবা চহী ২০ গী টেরিটোরিয়েল কাওন্সিল অমসুং টেরিটোরিয়েল এসেমব্লিগী সিট ৩০ খক লৈরিঙৈ মনিপুরদা লৈখিবা কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরস অমদি এম এল এশিং অদুগী মথৌনা মরিংজেল শিংথাবদা লোইবা নাইরোই। মখোয়না লিংখৎপিখিবা এল পি স্কুল, এম ঈ স্কুল, জুনিয়র হায় স্কুল, হায় স্কুল অমসুং কলেজ কয়া মাগী-মাগী কেন্দ্র অদুগী মীয়ামগা খুৎশম্নরগা লিংখৎপিখিবা অদুগী মহৈরোয় কয়ানা ষ্টেট অসিগী লৈঙাকতগীনা মখল মখা কয়াগী থৌদাং লৌবদা শরুক য়াখ্রবনি।

অমরোমদনা ঙসিদি লৈঙাক্কী স্কুল কয়া মুৎখে। মসিবু চাওখৎপা অফবা লৈঙাক অমগী মহৈরা। মথৌ নিংথিনা তৌদ্রবা ওঝা কয়া, স্কুল কয়াগী অৱাৎ-অপা, মহৈরোয় তাকপি তম্বীরিবা ওঝাশিংগা করম্না মরি লৈনরি হায়বা য়েংনবা লৈঙাক্কী থৌমীনা মথৌ মশক খঙলক্তবনা প্রাইভেৎ স্কুল কয়ানা মপুং ফানা মনা পুংলবা উপাল অমগুম্না ওইরক্লি। মসি করিদগী শোয়খিবনো হায়বা তারবদি চহী ৩০ / ৪০ অসিদা মাগী মাগী কেন্দ্রদুগী অফ-ফত্তা কয়া য়েংশিনবীয়ু লৈবাক্কী অফবা কয়া পুবিরকউ ঐখোয় পুম্নমক্কী মপি-মপা শক্লবনি হায়দুনা মনিপুর ষ্টেট এসেমব্লিদা ফিদা পিখিবশিংদননি। অফবা কয়া পুরকউ ফত্তবা কয়া থৈদোকখিনবা মীয়াম্মা শিন্নখিবা হক কয়া তুংওইনখিবদগী ঙসিদি লৈঙাক্কী স্কুল কয়া লেপকং কংদুনা মাংশিল্লক্লি। লাইরবা লৌমী-শিন্মী শু-নোল্লগা নোংমগী চারা তাল্লিবা কয়াদা পিরিবা চৈফু কনানসু তাদ্রি উবিদ্রিবসি পুম্নমক্কী লাইবক থিবনি।

এম এল এশিং মাগী-মাগী কেন্দ্রদুগীদি নিংথৌনি। মা-মাগী কেন্দ্রগী ঈথৈ-লৌখোং মতিক চাহন্দুনা মনিপুর তম্পাক্কী লৌউ-শিংউদুনা পুন্সিগী জিবীকা ওইরিবা কয়াগী থৱাই হাপ্পিগদৌরিবনি। ঈরম-নালা মতিক চাদ্রবা কয়া শেমহন-শাহন্নবা মখুত্তা পায়রিবা শক্তিদু মফম মতম চানা শিজিন্নহৌগদৌবনি। ঈরম-নালা খোপচিনবা কয়ানা খুৎশেমগী ঈচাও থোকহনবদগীসু কনবা ঙমগদৌরিবনি। ঙসি লৈঙাক্না থেংনরিবা অৱা-নুংঙাই খুদিংমক খংবিগদবনি। মীফত্তা কয়ানা থোকহল্লকপা কয়া ঙাকথোক্লবা হোৎনবগী থবক অমসুং লমদম অসিগী লৈহাওদগী নাওয়োম শানা য়োমদুনা চাওরাক্লবা চাওরক্লবী কয়া জাতি অসিগী মরক্তা অফবা থবক মহৈদা মশিংদা, শান্নবদা তোপ- তোপ্পা মতিং মথৌনা উৎপা মতমদা মিংচৎ পুরক্লবশিং কয়াগী মফমদা হরাওবা নুংঙাইবা ফোঙদোকপখক নত্তনা খুদোল কয়া থিন্দোকপিদুনা ফিদা পীদুনা ফমহনবীরিবা থাগৎনফমনি।

ইম্ফাল সহরগী কেন্দ্র খরা নত্তনা মনিপুর তম্পাক্কী লৌমীশিংদা হার ফংহন্দবা হায়বসিমক লৈঙাক্কী অশোনবনি। মীহুৎ অদুনা মরি লৈনবদা হায়বা মতমদা তাদ্রবদি মাগী কেন্দ্র অদুগী মীয়াম্মা লৈঙাক মপুদা ৱাকৎপদা করম্বা লৈঙাক মপুনা তাদবা ঙমগনি। অসিগুম্বা কয়া অসিদগী কুনমাথোইশুবা চহীগী মতম অসিদা শ্রী নোংথোনবম বীরেন সিংহ চিফ মিনিষ্টরনা থবক তৌদ্রবা এম এল এ লাক্কদৌরিবা মীখলদা থাগৎপিরক্কনু হায়রিবা চপ চাবনি হায়না লৌবা য়ারবনি।

মীয়ামগী মীহুৎকী দায়ত্ত য়াম্না চাউই। মাগী মাগী কেন্দ্রদা মৈগী ২৪ / ৭ ফংহনবা, থক্লবা চানবা ঈশিং মীপুম খুদিংগী শিজিন্নবা কোন্ননবা ফংহনবা, লম্বী সোরোক নিংথিজনা থম্বীদুনা মীপুম খুদিংমক নুংঙাইনা চৎহনবা হায়বা অসি মখোয়গী মথৌ নত্তবরা? করিগীদমক চেং কে জি শুনা ফংফম থোকপা শুনা ফংহনবীদ্রিবনো? ভারতকী পার্লিয়ামেন্টকী ফ্লোরদগী লাওরকপনা চেং কে জি ৫ (মঙা) অদুগা মনিপুরগী মফম কয়াগী ৱাকৎনা কে জি ৩ (অহুম) মসি ঐখোয় ঐখোয়না মতিক চাদবা মীহুৎ ওইবদা মতিক চাদ্রবা মীগী মতুং ইল্লুবগী মহৈনি হায়বা তায়। মৈ, ঈশিং, লম্বী-থোং, ঈথৈ-লৌখোং, ঈরম-নালা, মহৈ লোইশঙ কয়া লৈঙাক্কীনা নোংম-নোংমগী ময়েং তারকপসি করিদগী থোরকপনো? দায়ত্ত মশক খঙদবা শিন্মীশিংগী মথৌ থৌশারক্তবা, শঙ্গা-পঙ্গ চাওবা মথক থোংবনা হায়বা ৱা ককথৎপা ঙম্মী। অসুম্না মতমগী তৌবা ঙম্বা কয়াবু শিন্মী ওইনা খনজিল্লুবগী মহৈনি হায়বা নত্তনা করিবু হায়রুগনি।

মতম অমদা লাইরিক ফবা, মেত্রিক্তা অফবা রিজল্ট ফংখ্রবা, পি য়ু সিদা মখোঙ শেংনা অফবা ফল ফংলবা কয়ানা থৱাই য়াওনা তমখিবা ডাক্তর কয়াগী মতিক মগুন ঙসি ফাওবা শিংথানরি। লৈঙাক্কী লায়েংশংগী অফবা মিংচৎ কয়া মীয়াম্মা পাম্না ঙাংনরি শোন্নরি। ঙসিনা খুৎশুমননা লৈঙাক্তগী লৌগনি শেন্দানফমনা লন্নাই হোস্পিটালদগী অদুগী ফার্মাসিদগী হিদাক লৌরকউ অদুগী লেব অদুদা মখল-মখা কয়াগী টেষ্ট তৌরকউ, মাগী-মাগী খুৎফা থমদুনা চেন সিষ্টেম শেমদুনা শেন্দাল লম্বী শেম্বদি লৈখোম থোক্ত্রে ঈশিং থুমদ্রে কয়াদা নুংঙাইখ্রে। শেন্দাল লম্বীনো অহিং-নুংথিল নোংজু-নুংশা কয়া খায়দনা মাগী অফবা কোক মীনা মীবু লায়েংদুনা পুন্সিগী কাওঙমদবা ওইহনবগী মহুৎতা মথ্বায় হিংনবা অনাবা ফনবা হোৎনবদা লৌ-ইঙ্খোল য়োনবদা থেংনরিবা অৱাবা কয়াসি ঐখোয়গী মীহুৎ ৬০গী মখা য়াম্না পোল্লি হায়দবা ঙল্লোই। মতাং অসিদনি ট্রেদ য়ুনিয়নদা চহী ৩০ / ৪০ চুম্না অহল-লমন অমসুং লাই-গুরু কয়াগী লিক্লম পরিংদা তুংইনজবা অমা ওইনা হায়নিংই। থবক লৌবা মতমদা মথৌ মশক খঙবা ইন্টিগ্রিটি লৈবা মতৌ তায়, ফংলিবা তলব লৈবাক অসিগী থবক তৌবগী ফংলিবনি খঙনা থবক তৌগদৌবা মীওই খনবা মথৌ তায়। নত্তদুনা ঐগী ফম লৌ-ইঙ্খোল য়োল্লগা চংলকপনি মানা-মানা পুরিবা ফম অদুনা লৌফম ইঙ্খোল ওইনা উরবদি লৈঙাক্কী অমসুং লৈবাক অসিগী লাইবক থিবনি।

লুপা লাক্ষ-লাক্ষনা খুজিং ওইদুনা তিংলবা শিন্মী মখোয়নদি মপুনি খঞ্জবা ঐখোয়নদি শিন্মীনি হায়না উরিবা লুপা ক্রোর কয়া পিরগা মাগী মাগী লোইশং অদুগী মকোক ওইরিবদুনা লৈবাক্কী অমসুং মাগী-মাগী লোইশং অদু চাওখৎনবগী মরুমদা মাগী শেন্দাল লম্বী মতুং ইন্নদুনা চৎপা মতমদা করিশু ঙকনিংঙাই ওইদে। ইন্দিয়া মালেমগী ডেমোক্রেসি চৎপা লৈপাক কয়াগী মমাংদা মীয়াম্মা খনজবা মীহুৎনা লৈঙাকপা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাকনি হায়না চাওথোকচরিবনি। য়ুমথংনরিবা ম্যান্মার অমদি অফগানিষ্টানগী মীয়াম্মা থেংনরিবা মীহাৎ-মীপুনগী ঈহিং-নাইহিংগী মরক্তা লৈতদনা হিংলিবা পুন্সি কয়া ফত্রগনা মথং লৌথোক্লবগী খুদোংচাবা ফংলবা লমদম অসিগী লৈঙাক্কী মখাদা ঐখোয় পুম্নমক হিংমিন্নরিবা পুম্নমক্কী লাইবক ফবনি।

মীয়ামগী মীহুৎনা ফরা মীয়ামগী থবক তৌরবা লৈঙাক অদুগী মখাদা হিংলিবা লৈবাক মীয়াম শান্তি ওইনা ঈংনা চিক্না হিংবা তাবনি। মখোয়না মীয়ামদুদা ওনশিন্দুনা চারবা লৈবাক মীয়ামগী চাকথুং ফিথুং পুম্নমক মাগী ওইনা উরবা, শক্তি লৈরিঙৈ মতমদা লৈঙাক্কী লো ইনফোর্সমেন্টশিংবু মাগী খুৎলাই ওইনা শিজিন্নরক্লবা মদু পুম্নমক্কী লাইবক থিবনি। মসিমক্লনি মীয়াম্মা ইকাই খুম্নরিবা চিফ মিনিষ্টর শ্রী নোংথোনবম বীরেন সিংহনা থবক তৌদবা এম এল এশিং মথং টার্মদা থাগৎপিরক্কনু হায়রক্লিবসি। ৱাফম অসি মতম চপ চায়, লৈপাক মীয়ামসু ৱাখল খন্থবা মতম ওইরে থমজগে।



## ইদিটরদা চেল্লকপা পাউথাং

### ইম্ফাল মনুংগী গাড়ী পার্কিং

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

মনিপুরগী কেপিটেল সিটি ওইরিবা ইম্ফাল সিটি মনুং অসি কোবিদকী লোক ডাউন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা লৌথোকখিবগা লোয়ননা নিয়ম খরগী মখাদা পোৎফম ফম্বা অমদি ডুকানশিং হাংবগী অয়াবা লৈঙাক্না পীরকপদগী হৌজিকশি মী চিনবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। অমরোমদা হিয়াঙ্গৈ থাগী নিনি পানবদা মনিপুরী মৈতৈশিংগী য়াম্বা চাওবা থৌরম নিঙোল চাক্কৌবা নকশিনলক্লে। মসিনা মরম ওইরগা কৈথেল অমদি ডুকানশিংদা কষ্টম্মরশিং লাকপা হেনগৎলকখিগদৌবতনি, হন্থরক্লীংঙাই ওইদ্রি। লায়চৎশিনা পোজিটিব ওইবা অমদি পোজিটিব ওইদুনা শিবগী চাং হন্থরকপা অসিনা মরম ওইরগা মমাংগী চহীদা মপুং ইফা ফাদনা পাঙথোকখিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম কুমসিগী ওইনদি মহৌশাগী ফিভমদুমক য়ৌদ্রগসু খরমখৈদি পাঙথোক্লরক্কদৌবা মাল্লি। হৌজিকসি মবুং মৌপুৱা ওইবশিংনা নিঙোলদা চাক্কৌবগী পাউ পীবা হৌনরক্লে। অসুম্না ইম্ফাল সিটি মনুংদা মী চিনখৎলক্লবগী মমি তল্লকলিবশিং অসিদা মনিপুর পুলিসকী মরি লৈনবা থৌপাংলোইশিং অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মাইকৈদগীসু ট্রাফিক কন্ট্রোলগীদমক চুনগদবা থৌশিল থৌরাং য়াৎথোকপা হৌবা চুম্লবনি। হোরেল হয়েং ঙাইদুনা থোক্ল থোক্লবা, য়ান-য়ানবা হেক্তা তৌরগা লোইরে হায়না লায়থোকপা চুম্লোই। ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিং অসি চিলহনবগী মরমশিংগী মনুংদা ইঞ্জিন পানবা টু হুইল্লর অমদি ফোর হুইল্লর গাড়ীশিং পার্কিং তৌশিল্লিবা অসিসু অমনি। হৌজিক পীকপা চাওবা, ৱান ৱে লৈবা লৈতবা সিটি ফাওদুনা চৎলিবা হায়ৱে য়াওনা লম্বীশিং অসিগী তঞ্জায় অমমমদি গাড়ী খাম্ফম ওইশিল্লি। মসিগীদমক গাড়ী মপুশিংদগী চেকত্তুনা শেল লৌবসু য়াওরি লৌদবসু য়াওরি। নোংমা নিনিগী মমাংদা গাড়ী পার্ক তৌবা য়ারোই হায়দুনা ইন্থোক-খোত্তোক্তুনা তৌরম্বা মফমশিং হৌজিক্তি হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিনলে। মতম চারিঙৈ য়েংশিনবীয়ু।

*অদোমগী, এম রোমেন, উরিপোক*